# এসিয়ন য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা বিস্বমিত্র চোংথামনা গোল্ড লৌখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মণিপুর মচা বিস্বমিত্র চোংথামনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি দুবাইদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন য়ুঠ অমসুং জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ঙসি কিলোগ্রাম ৫১গী য়ুঠকী ফাইনেল মেটচতা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

বিস্বমিত্র চোংথামনা ঙসি ফাইনেল বাউট অদুদা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর উজিবোব অহমদজোনগা অকনবা লম্বা মায়োক্লখি। অদুবু বিস্বমিত্রগী হৈথোই-শিংথোইবা মশান্না অদুনা রাউন্দশিং অদুদা পোইন্ট ফংবা পঞ্চ কয়া য়াওখিবদগী বাউট অদুগী জজ মঙাগী মনুংদা জজ মরিনা মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীরকখিবা অমদি জজ অমখক্লা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর অদুদা পোইন্ট হেন্না পীখ্রবসু ৪-১দা ফাইনেল বাউট অদু মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি অতোপ্পা নুপাগী বোক্সর বিস্বনাথ সুরেশনা কিলোগ্রাম ৪৮গী ফাইনেল বাউটতা কজাখষ্টানগী হৌজিক-হৌজিক য়ুঠ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা সঞ্জর টাস্কেনবেগা লম্বা তৌনবদা রাউন্দ খূদিংমক কজাখষ্টানগী বোক্সর অদুনা পোইন্ট লৌবা হেনখিবদগী জজ মঙামক্লা মহাক্কী ফেভরদা পোইন্ট পীখিবদগী সুরেশ ০-৫দা মায়থীরগা সিলভর মেদল লৌহৌবনি।

দুবাইদা চথুরিবা চেম্পিয়নশিপ অসি য়ুঠ অমসুং জুনিয়র সেক্সন অনীমক পূনশিল্লগা অহানবা ওইনা পাঙথোকপনি। জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেদল ৬ লৌবা ঙমখি। পূন্না জুনিয়র য়ুঠকী নুপীগী বোক্সরশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ১০ ফাইনেল চঙবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা বোক্সর ৬না গোল্ড লৌরগা অতোপ্পা বোক্সর ৪না সিলভর লৌহৌবনি। নুপাগী জুনিয়র সেক্সনদা ফাইনেল অহুম শান্নবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অলি গোল্ড ফংখি, অদুগা ১না সিলভর লৌহৌখি। নুপীগী জুনিয়রদা গোল্ড ফংখিবা বোক্সরশিং অদুদি নিকিতা চান্দ (কেজি ৬০), মাহি রাঘব (কেজি ৬৩), প্রঞ্জল য়াদব (কেজি ৭৫) অমসুং কির্তি (কেজি ৮১ মথক) নি। মখোয় মরিনা ঙসি গোল্ড ফংলগা ঙরাং রোহিট চামোলি অমসুং ভারত জুননা নুপাগী গোল্ড লৌখিবনি। অদুগা বিষ্ণু রাথি অমসুং তনুসু গোল্ড ফংখি।

কির্তিনা কজাখষ্টানগী সুগ্লিয়াবু ৪-১দা থোইখি। মাহি রাঘবনা কজাখষ্টানগী অলজেরিমবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি। নিকিতা চান্দনা কজাখষ্টানগী অতোপ্পা বোক্সর অসিম তনাতরবু মায়থীবা পীরগা পঞ্জল য়াদবনা অতোপ্পা কজাখষ্টানগী বোক্সর অকঝানবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি। হৌজিক ইন্দিয়াগী টিম অসিনা গোল্ড ৮, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংলি।

# ইন্দিয়াগী অভানি অমসুং সুমিট অনতিলনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপী শুটর অভানি লেখরা অমসুং জেভলিন থ্রোৱর সুমিট অনতিলনা ঙসি টোকিও পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখ্রে।

অভানি লেখরানা ঙসি নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল এস এঁচ ১ কেটগোরিদা পূন্না পোইন্ট ২৪৯.৬ কাপ্পুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক্স পুৱারীদা নুপীগী শুটিংদা গোল্ড মেদল ফংবা অহানবা পেরালিম্পিয়ন ওইখি। অভানিনা পেরালিম্পিক্স খত্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্স পুৱারীদা অহানবা নুপী এথলিটনা গোল্ড ফংবা ঙম্লিবনি। মমাংদা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক্স গোল্ড ফংবা ঙম্বশিংগী মনুংদা স্বিম্মর মুর্লিকান্ট পেকর (১৯৭২), জেভলিন থ্রোৱর দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া (২০০৪ অমসুং ২০১৬) অদুগা হায় জম্পর থেঙ্গভেলু মারিয়াপন (২০১৬)নি।

মশাগী চহী ১৯ শুরবী অভানি কুমজা ২০১২দা কার এক্সিদেন্ট অমদা স্পাইনেল কোর্দ শোক্তুনা খ্বাঙদগী মখা তাবা শরুকশিং লেংবা ঙমখিদবনি।

নুপাগী জেভলিন থ্রোগী কেটগোরি এফ ৬৪দা ইন্দিয়াগী সুমিট অনটিলনা মহাক মশামক্লা থমখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা মিটর ৬৮.৫৫দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াবদি, মহাক ২০১৬ পেরালিম্পিক্স গেমসতা এফ ৪৪ জেভলিনদা ৪শুবা তাখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী য়োগেশ কাথুনিয়ানা নুপাগী দিস্কস থ্রোগী এফ ৫৬ ইভেন্টতা মিটর ৪৪.৩৮ লংদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। অমরোমদা দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা এফ ৪৬ ইভেন্টতা সিলভর অদুগা সুন্দর গুজরনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

# ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং লীগনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাজন প্রকাশ খনখ্রে

পেরিস, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং লীগ (আই এস এল)কী কুমজা ২০১৯গী চেম্পিয়ন ইনর্জী ষ্টেন্দর্দ স্বিম ক্লব ওফ পেরিসনা ইন্দিয়াগী স্বিম্মর সাজন প্রকাশপু খন্দুনা ক্লব অসিগী স্বিম্মর ওইখ্রে। ইন্দিয়াগী স্বিম্মিং পুৱারীদা সাজন প্রকাশনা অহানবা স্বিম্মর ওইনা ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং লীগতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

স্বিম্মর ৩০গী মেম্বর লৈবা ইনর্জী ষ্টেন্দর্দ স্বিম ক্লব অসি পেরিসতা বেজ তৌবা ক্লবনি। হায়রিবা ক্লব অসিনা ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং লীগ হৌদোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অদুবু ক্লব অসিগী ট্রেনিং সেন্টর অদুদি টর্কিগী সিটি বেলেকতা লৈবা গ্লোরিয়া স্পোর্টস এরেনানি। হায়রিবা ক্লব অসি মমাংদা নুপাগী মিটর ৫০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক কেটগোরিদা ৱর্ল্ড, য়ুরোপিয়ন অমসুং কমনৱেল্থ চেম্পিয়ন ওইরম্বা ইংলেন্দগী স্বিম্মর জেমস গিবসননা কোচ ওইরি।

সাউথ অফ্রিকাগী বটরফ্লাই কেটগোরিগী চেম্পিয়ন ওইরিবা চাদ লি ক্লোজনা কেপ্টেন ওইরি। অদুগা স্বিদেনগী ফ্রী ষ্টাইল অমসুং বটরফ্লাই চেম্পিয়ন সারা জোষ্টোর্মনা দেপ্যুটি লীদর ওইরি।

সেপ্টেম্বর ১৪দা মশাগী চহী ২৮ শুরগদবা সাজন প্রকাশনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা মহাকপু আই এস এলদা শরুক য়ানবা অয়াবা পীরকপা অসি য়াম্না চাওবা খূদোংচাবা অমনি। তুংদা লাক্কদবা আই এস এল কম্পিটিসন কয়াদা ইন্দিয়াগী স্বিম্মরশিং মখা তানা য়াওবা য়াবগী খূদোংচাবা লাক্লগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, সাজন প্রকাশনা ইটালিগী সিটি রোমদা পাঙথোকপা সেটে পোলি ট্রোফিদা নুপাগী মিটর ২০০গী বটরফ্লাই ইভেন্টতা মিনট ১:৫৬.৩৮ দা ঈরোয়বা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক হৌখিবা চহী ৩/৪ অসিদা থাইলেন্দগী ফুকেটতা লৈবা থনয়াপুরা স্পোর্টস এন্দ হেল্থ রিজোর্টতা ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং এসোসিএসনগী মখাদা পীবা স্কোলরশিপ অদু শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক কেরলা ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অয়ুর্ভেদিক এন্দ রিছর্সনা মহাক্কী শোকখিবা মখ্বাঙ রিহেবিলিটেসন তৌদুনা লৈরিবনি। সেপ্টেম্বর থাদা সাজন প্রকাশনা ইনর্জী ষ্টেন্দর্দ স্বিম ক্লবতা রিপোর্ট তৌবা য়ারগনি।

আই এস এলদা অতোপ্পা ক্লব ৮ অমসু লৈরি। মখোয়শিং অদুদি ৱেশিংটনগী দি সী ট্রাইদেন্ট, লোস এঞ্জেলিসকী এল এ করেন্ট, ন্যু য়োর্ক ব্রেকরস, সেন্ট ফ্রেন্সিস্কোগী কালি কোন্দোর্স, টোরোন্টো টাইটন্স, লন্দন রোর, বুদাপেষ্টকী টিম আইরন, রোমগী এক্বা সেঞ্চুরিওন্স অমসুং টোকিও ফ্রোগ কিংসনি।

# প্রেক্টিকেল এগজাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ৩গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবদা চীংঙারেল পোলোয় আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ফুটসাল রেফরিশিংগী ওইবা প্রেক্টিকেল এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি।

রেফরিশিংনা নুমীৎ অদুগী অয়ূক পুং ৬.৩০দা ফুল কিটসকা লোয়ননা য়েলো, ব্লু অমসুং স্কাই ব্লু অহুমগী য়ুনিফোর্ম লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

# সাকেথ মাইনেনি শেম শাখ্রে

হায়দরবাদ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

সেপ্টেম্বর ১৮ অমসুং ১৯দা ফিনলেন্দগা শান্নগদৌরিবা দেভিস কপ টেন্নিস কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরবা সাকেথ মাইনেনিনা শেম শাখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১৯দা পাকিষ্টানগা শান্নবা দেভিস কপকী টাই অদুদা মহাকসু মেম্বর অমা ওইনা য়াওখ্রবসু শান্নবদি ফংখিদে। মদুগী অচৌবা মরমদি পাকিষ্টানগী টিম অদুগী পাঙ্গল কা-হেন্না শোনবা মরম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিংদা খূদোংচাবা পীখিদবননি।

ফিনলেন্দগা শান্নগদৌরিবা অসি য়াম্না লম্বা মান্নবা টাই অমা ওইগদৌরি। অদুবু ইন্দিয়ানা মপূং ফাবা পোইন্ট ফংবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনগদৌরি। ইন্দোরদা শান্নগদবা সর্ফেস ওইবনা টেন্নিস বোল অদু চোংবগী চাং ৱাংগদৌরি। কুমজা ২০১৮দা মহাক্লা দেভিস কপকী গেম শান্নখিবা অদুগী মতুং হৌজিক ফাওবা শান্নদ্রবসু মঙোন্দা প্রেসর অমত্তা লৈতে। পেন্দমিক মনুংদা মহাক্কী মীরমদা শান্নগদবা সেদ্যুল্ডশিং অদু লোইনা কায়খিবনি। ফিনলেন্দগী টাই অসিনা ভিজা ফংদুনা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদসু শরুক য়াবগী খূদোংচাবা অমা লৈগদৌরি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক-হৌজিক সিঙ্গলস শান্নগদৌরিব্রা নৎত্রগনা দবলস ওইনা শান্নগদৌরিব্রা হায়বদুদি তংদাংবা অমা খঙদ্রি। ইন্দিয়াগীদমক শান্নবা অসিনা মহাক্কীদি খ্বাইদগী থাক ৱাংবনি হায়খি।

# গোল্ড অমসুং সিলভর লৌরকখ্রবা দিনেশ নাওরেম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২৪দগী ২৮ ফাওবা কির্গিষ্টানদা পাঙথোকখিবা জি এ এম এম এ এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল লৌদুনা লমদম অসিগীদা নৎতনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখ্রবা দিনেশ নাওরেম (২৩) ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ১১.০৫ রোম তারকপা মতমদা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা দিনেশ নাওরেমনা থুংলখিবা মতমদা হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা মীওই কয়ানা লৈ পরেং হুক্তুনা হরাউ তয়াম্বা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা ফোঙদোকখি। ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী মহাকপু তরাম্না ওকপা লাকখিবা মীওইশিংগা ময়ূম তান্না চৎমিন্নখি। ময়ূম য়ৌরবা মতুং হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা মীওইশিং অমদি ককচীং রন্নর্স অমসুং জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন ককচীংনা মহাকপু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোক্লখি অমদি মখা তানা মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা পূক্নিং থৌগৎখি।

মহাকপু ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিনেশনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী পূন্সিগী নুংঙাইরবা মীৎকুপ অমা লাকপা মতমদা মহাক্কী অপোকপা মপা উবা ফংদবা অসি হায়ফম খঙদনা অৱাবা অমা ওইরে। মহাক্লা মেদল লৌরবা মতুং ইকান কান্নদনা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদবগী পাউ অদু তারকখিবনি। মহাক্লা চেম্পিয়নশিপ অসি চৎত্রিঙৈগী মমাংদা ময়ূমদা লৈরিবা মহাক্কী অপোকপা ফমুংদগী হেন্দোকপা ঙমদনা নাদুনা লৈবদগী চেম্পিয়নশিপ অসি য়াওররোই হায়না লেপখি। য়ূমগী লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা চেক্কোনদা চৎতুনা চেক হোনবা য়াওদুনা মতম খরা লৈথোক্লুরে। অদুবু কে ও আই কোন্বেন্ট একাদেমি, কোরমঙ্গলা বেঙ্গলোরদা লৈবা মহাক্কী কোচ ভিশাল সেহগলনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক কন্না হায়রকপদগী একাদেমি অসিদা চৎতুনা থা অমা মখায়রোম ট্রেনিং তৌরবা মতুংদা শরুক য়াখিবনি। মহাক্কী কোচ ভিশাল সেহগলগী অচৌবা মতেংনা মরম ওইরগা মহাক্লা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল লৌরক্লিবা অসি অহানবা খোঙথাংনি। মেদল লৌবা ঙম্লে হায়দুনা তুমিন্না লৈথোক্লোই। মখা তানা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা বেল্ট শান্নবা ঙম্নবা অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনগনি। মহাক্লা হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবা অসিদি এমেচরনি। তুংদা কন্না হোৎনদুনা প্রো এম এম এ মিংচৎ থম্বা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

গ্লোবেল এসোসিএসন ওফ মার্সিএল আর্টসকী মখাদা পাঙথোকপা মিক্স মার্টিএল আর্টস (এম এম এ) অমসুং ষ্ট্রাইকিং মিক্স মার্সিএল আর্টস দিসিপ্লিনদা মহাক কিলোগ্রাম ৫৬.৭কী কেটগোরিদা শরুক য়াখিবনি। মহাক্লা কির্গিষ্টানগী উসোন মুর্জাবেকপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। কজাখষ্টানগী য়েৰ্মোখন ওরিনটায়েবকা লম্বা তৌনবদা ফাইনেলদা মায়থীদুনা সিলভর ফংখিবনি।

পনবা য়াবদি, দিনেশ নাওরেম ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ককচীং সুমাক লৈকাই য়োংশুংবম পরেং মখা লৌদগীনি। মহাক লৈখিদ্রবা নাওরেম য়াইমা অমসুং নাওরেম ওংবী মোনবীগী মচানুপানি।

# মোদিনা থাগৎলক্লি, রাজস্থাননা অভানিগী ক্রোর ৩ লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা টোকিওদা চথুরিবা পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংলকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মরক অসিদা রাজস্থান লৈঙাক্লা শুটিংদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী অভানি লেখরাদা লুপা ক্রোর ৩ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙসি অভানি লেখরানা শুটিংদা গোল্ড মেদল লৌবা লোইখ্রবা মতুং সুমিট অনটিলনা নুপাগী এফ ৬৪ জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংলকপদা মহাক্কী ট্বিটর একাউন্টদগী সুমিটপু থাগৎপা ফোঙদোরকপনি। লৈবাক অসিগী এথলিটশিংনা মায় পাকপা ঙম্লি। তুংদসু অফবা ওইয়ু হায়না মোদিনা ট্বিট তৌরকখি।

নুপাগী দিস্কস থ্রোগী এফ ৫৬ ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা য়োগেশ কাথুনিয়াবুসু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা লৈবাক অসিগী সিলভর পুরকপদা হরাউবা ফাওই, তুংদা লাক্কদবা এথলিটশিংদসু অনৌবা থৌনা পীরগনি হায়খি। ফোনদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱারী শারদুনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকবিনি। মহাক্লা ইভেন্ট অদুদা মিটর ৪৪.৩৮ লংদুনা সিলভর লৌখিবনি।

রাজস্থান লৈঙাক্লা শুটর অভানি লেখরাদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ক্রোর ৩ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং সিলভর মেদল ফংখিবা জেভলিন থ্রোৱর দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখিবা সুন্দর সিংহ গুজরবুসু মথংশিংনা লুপা ক্রোর ২ অমসুং ১ পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর গেলোটনা মহাক্কী ট্বিটর একাউন্টতগী ষ্টেট অদুগী এথলিট অহুম্না গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংবা ঙম্লকখিবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি হায়খি। মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স অদুনা অতোপ্পা এথলিটশিংদা অনৌবা থৌনা পীরগনি।

# য়ুনিয়ন বর্লিন অমসুং ৱোল্ফসবর্গ মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং থোইখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

য়ুনিয়ন বর্লিননা বুন্দেসলিগাগী অহুমশুবা রাউন্দদা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগপু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ৱোল্ফসবর্গনা আর বি লৈপজিগপু থোইখ্রে।

য়ুনিয়ন বর্লিননা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী ওল্টি ফোর্ষ্টেরৈ ষ্টেদিয়মদা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগগা লম্বা তৌনবদা ২-১দা মায় পাকখি। অহানবা পাঞ্জল অদু ২২ শুবা মিনটতা জেনকি হরাগুচিনা পীরকপা বোলদা য়ুনিয়ন বর্লিনগী অতোপ্পা শান্নরোয় এন গিসেলমাননা চনখি। মখা তারকপা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ৪১শুবা মিনটতা মেক্স ক্রুসেনা পীরকপা বোলদা টাইৱো অৱোনিয়িনা চনখিবনি। অমরোমদা, বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা জোনাস হোপমেননা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱোল্ফসবর্গনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোমগ্রাউন্দ ভোক্সৱেগন এরেনাদা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগকা লম্বা তৌনবদা ১-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ৭ চঙশিল্লকপা মতমদা ৱোল্ফসবর্গকী মায়কৈদগী জে রোসিলোননা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সপু ১-০দা থোইখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকা শান্নবদা মেসন গ্রিনৱুদকী অথেংবা পাঞ্জলনা টিম অদু মায় পাকহনখি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু মায় পাক্তুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচশিংদা থংন-থংননা মেটচ ২৮ মায়থীদনা শান্নবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা থমখি। মমাংদা মেটচ ২৭ মায়থীদনা শান্নবগী রেকোর্দ অদু কুমজা ২০০৩গী এপ্রিলদগী ২০০৪ সেপ্টেম্বর ফাওবা অর্সনেলনা থল্লম্বনি।

ঙরাংগী মেটচ অদু ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সনা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোমগ্রাউন্দ মোলিনেক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। মেটচকী অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু ৮০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী রাফেল ভারানেনা পীরকপা বোলদা মেসন গ্রিনৱুদনা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ইঞ্জ্যুরি টাইমগী মিনট ৫ হাপ্পা ফাওবদা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।

# এ সী মিলাননা কাগ্লিয়ারিবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে

রোম, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

ইটালিগী সান সিরো ষ্টেদিয়মদা এ সী মিলাননা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা সেরি এগী মেটচ অমদা য়ূম্বু ক্লব অদুনা কাগ্লিয়ারিবু পাঞ্জল ৪-১দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী পাঞ্জল পূম্নমক অহানবা হাফতা চন্নখিবা ঙাক্তনি। শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা এ সী মিলানগী অঙনবা এটেক অমদা সান্দ্রো টোনালিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী জোৱা পেদ্রোনা পীরকপা বোলদা অলিজান্দ্রো দিওলানা ইক্বেলাইজর অদু ১৫শুবা মিনটতা চনখি। মিনট ২গী মতুংদা এ সী মিলানগী রাফেল লিওনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মখোয়না ২-১দা অমুক মাঙজিল থাখি। শান্নবগী মিনট ২৪ চঙশিল্লকপদা এ সী মিলানগী মখা তাবা এটেক অমদা ব্রাহিম দিয়াজনা পীরকপা বোল অমদা ফ্রান্স মচা ওলিভর জিরোদনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ২ ফাজিল্লক্ত্রবদা মখা তানা ওলিভর জিরোদনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ১ চল্লগা অহানবা হাফ অদু ৪-১দা এ সী মিলাননা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। হাফ মতুং পাঞ্জল লৈখিদে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা রোমানা সালেরনিটানাবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি।

# পি এস জিদা মেসিনা অহানবা মেটচ শান্নবদা মায় পাকখ্রে

পেরিস, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

হন্দক্তা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাদগী নৌনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন (পি এস জি) দা শরুক য়াবা ঙম্লবা লিওনেল মেসি ক্লব অদুগী ওইনা ঙরাং অথেংবদা রেইমসকা শান্নখিবা মেটচ অদুদা শরুক য়াখ্রে। মেটচ অদু মখোয়না ২-০দা থোইখি।

মেটচ অদু হৌরকপদা মেসি য়াওখিদে। অদুবু শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা মহাক্লা নেমারগী মহুৎতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখি।

শান্নবগী অহানবা পাঞ্জল অদু পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অতোপ্পা অর্জেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা পীরকপা বোলদা কিলিয়ন মাপেনা চনখিবনি। রেইমসকী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা লাক্লখি। অদুবু পি এস জিগী দিফেন্দরশিংগী ফজবা মশান্না অদুদা মখোয় কান্নবা ফংখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১৮ চঙশিল্লকপদা পি এস জিগী অতোপ্পা এটেক অমদা আস্রফ হাকিমিনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কিলিয়ন মাপেনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু পি এস জিনা রেইমসপু ২-০দা থোইবা ঙমখি।

# ভিলারিয়াল অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ ২-২দা দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং ভিলারিয়াল পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। ২শুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা ভিলারিয়ালগী মায়কৈদগী ট্রাইগেরোসনা টিমমেট য়েরেমি পিনোনা পীরকপা বোলদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা এঞ্জেল কোরিয়ানা পীরকপা বোলদা লুই স্বারেজনা এটলেটিকোগী ইক্বেলাইজর অদু চনখি। ৭৪ শুবা মিনটতা য়েরেমি পিনোনা অমুক্কা পীরকখিবা বোল অমা ভিলারিয়ালগী অর্নো দনজুমানা চনখি। মেটচকী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা ভিলারিয়ালগী আইসা মান্দিগী ওন গোলনা মেটচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি।

# হোক্কী ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক কেলেন্দর ওক্টোবরদগী হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):

কোভিদ লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী মার্চ থাদা লেপ্পুরবা হোক্কী ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক সিজন ওক্টোবর থাদগী মখা চথরগনি হায়না প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোরকখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিমনা ফজবা ঙম্লকখিবা অদুনা পীরিবা ঈথিল অদু শান্নবুংদা ওন্থোক্লবা কন্না হোৎনরি। হোক্কী ইন্দিয়ানা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমদি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট লৈঙাকশিংনা থল্লিবা কোভিদ প্রোটোকোলশিং অদুগী কাঙলোন মনুংদা হোক্কী মেটচ পূম্নমক পাঙথোক্কদবনি হায়রি। সিজন অসিগী ওইনা ওক্টোবর ৪দগী ১৩ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা অহানবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন একাদেমি নেসনল চেম্পিয়নশিপ শান্নগনি। মদুগী মতুং ওক্টোবর ১৮-দগী ২৭ ফাওবা অহানবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন একাদেমি নেসনল চেম্পিয়নশিপ শান্নগনি। ন্যু দেল্লীদা অহানবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱিমেন ইন্টর দিপার্টমেন্ট নেসনল চেম্পিয়নশিপসু পাঙথোক্কনি। ঝরখন্দদা ১১শুবা জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল, তেলঙ্গনাদা ১১শুবা জুনিয়র মেন অদুগা ঝান্সিদা ১১শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 215



**Schlander, Sabine (2136) - Meingast, Matthias (2092)**
**Regionalliga SO 0001 Bayern (4), 2000**

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4
4.Nxd4 g6 5.c4 Nf6 6.Nc3 Nxd4
7.Qxd4 Bg7 8.Be3 d6 9.f3 O-O
10.Qd2 Be6 11.Bd3 Qa5 12.O-O Rfc8
13.Qe2 Nd7 14.Nd5 Bxd5 15.cxd5 Nc5
16.Bxc5 Qxc5+ 17.Kh1 Qb4 18.Rfc1 Rxc1+
19.Rxc1 Bxb2 20.Rb1 Rc8 21.Bc2 Qc3
22.Bd1 Ba3 23.Rxb7 Bb4 24.g3 Qd4
25.Bc2 a5 26.Rxe7 Rc3 27.Kg2 Re3
28.Qd1 Qb2 29.Rc7 Re1 30.Qd3 Qa1
31.Rc8+ Kg7 32.Rc4 Rg1+ 33.Kh3 Qc1
34.Qd4+ Kh6 35.Bd3 Qe1 36.Qf6...

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 214 Ans. :**

23. ...Bc6 24.f6 Bxd5 25.Re8+ Bg8 26.f7 Mating netNxf7
27.Nxf7# Smothered mate
24. f6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com